# ষ্টার্টঅপ ইন্দিয়াগীদমক লুঃ ক্রোর ১০,০০০ গী ফন্দ শেম্লে, নোর্মশিং কোমথোকহল্লে ঃ *মোদি*



***ন্যু দিল্লি, জুন ৬ ঃ***
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি হায়খ্রে, লৈবাক অসিদা লৈরিবা নহা ইন্টর্প্রেনরশিং য়োকখৎনবা গভর্ণমেন্টনা খোঙথাং কয়ামরুম লৌখৎলে, ষ্টার্টঅপ ইন্দিয়া এক্সন প্লানগীদমক লুপা ক্রোর ১০,০০০ গী ফন্দ অমা শেম্লে।

ষ্টার্টঅপস অসি হৌজিক মখা তানা অচৌবা সিটিশিংখক্তদা পায়খৎপা থৌরাং ওইররোই। অপিকপা তাউনশিং অমসুং খুঙ্গংশিংদসু ষ্টার্টঅপ সেন্টরশিং লীংখৎপা য়াবা মফমশিং ওইরক্লে হায়না দেরাদুন, গুৱাহাটি অমসুং রাইপুরগুম্বা সিটিশিং য়াওনা লৈবাক্কী মফম কয়াদগী লাকপা নহা ইন্টর্প্রেনরশিংগা উন্নদুনা ৱারী-ৱাতাই শান্নবদা নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে।

মেক ইন ইন্দিয়াগা লোয়ননা দিজাইন ইন ইন্দিয়া হায়বসিসু ষ্টার্টঅপশিংগীদমক মরু ওই হায়না মোদিনা মখা তাখি। ষ্টার্টঅপ সেক্টরদা খ্বাইদগী অয়ৌবা থাক্তা ফগৎহন্নবগীদমক মতিক চাবা শেনফম, থৌনা অমসুং মীয়ামগা শম্নবা মথৌ তাই। মতম অমদা ষ্টার্টঅপস হায়বসি দিজিটেল অমসুং টেক্নোলোজি ইন্নোভেসন খক্তা ওইনা খঙনখি। অদুবু হৌজিক্তি থবক পূম্নমক অহোংবা লাক্লে অমসুং এগ্রিকলচর য়াওনা অতৈ হীরম কয়ামুক্তসু ঐখোয়না ষ্টার্টঅপশিং থিরি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ঐখোয়না এগ্রিকলচর গ্রান্দ চেল্লেঞ্জ অমা হৌখ্রে। ঐখোয়গী এগ্রিকলচর সেক্টরবু করম তৌনা অনৌবা শকফমদা ওন্থোক্কদগে হায়বগী মতাংদা ৱাখল পুথোক্নবা ঐখোয়না নহারোলশিংদা হায়জখ্রে।

লৈবাকসিদা ময়োল চোংখৎলক্লিবা ইন্টর্প্রেনরশিংবু য়োকখৎনবা পান্দমদা গভর্ণমেন্টনা ষ্টার্টঅপ ইন্দিয়া এক্সন প্লান অসি হৌদোকখিবনি। প্লান অসিনা টেক্স হোলিদে, ইন্সপেক্টর রাজ-ফ্রী রেজিন অমসুং কেপিটেল গেইন্স টেক্স একজেমসনগুম্বা ইন্সেনটিভশিং পীনবা প্লান অসিনা পান্দম থল্লি।

ঐখোয়গী ষ্টার্টঅপশিং অসি চাউখৎপগী ইঞ্জিনশিংনি। মসিগী অচৌবা কম্পেনিশিং অসি করিগুম্বা মতাং অমদা ষ্টার্টঅপশিং ওইরম্মী। ঐহাক্না ইন্দিয়াগী মীয়ামবু লেপ্পা লৈতনা ইন্নোভেসনগী লম্বীদা চঙশিন্নবা হায়জরি হায়না মোদিনা মখা তাখি।

ষ্টার্টঅপসকীদমক ফন্দ ফংনবগী মতাংদা মহাক্কী মোত পীরদুনা গভর্ণমেন্টনা মসিগী ফন্দগীদমক লুপা ক্রোর ১০,০০০ গী ফন্দ অমা শেম্লে হায়না নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি।

## উত্তর প্রদেশতা এলার্ট লাওথোকখ্রে

***লক্ষনৌ, জুন ৬ ঃ***
উত্তর প্রদেশতা ষ্টেসনশিং, কৃষ্ণ জন্মভুমি অমসুং কাসি বিশ্বনাথ লাইশঙগুম্বা কয়ামরুমবু লাস্কর-ই-তোইবনা থুগাইগনি হায়না গ্রুপ অসিগী কম্মান্দর অমনা ইরকপা চিঠি অমদা কিহল্লকখিবদগী পুলিসনা ষ্টেট অসিগী মফম শিনবা থুংনা এলার্ট লাওথোকখ্রে হায়না ঙসি সেনিয়ার ওফিসিয়েল অমনা হায়রি।

নোরদর্ন রেলৱেজদা হৌখিবা থাদা থারকখিবা চিঠি অদু মিলিটেন্ট গ্রুপ অদুগী কম্মান্দর মৌলানা অম্বু সৈখনা থারকপনি হায়না মহাক্না হায়খি।

চিঠি অদু নোরদর্ন রেলৱেজ, ন্যু দিল্লিনা মে ২৯ দা ফংখিবনি। চিঠি অদুদা সাহরানপুর অমসুং হাপুর রেলৱে ষ্টেসনশিং অমসুং অতৈ ষ্টেসনশিং থুগাইগনি হায়না কিহল্লকখি। চিঠি অদু ফংবদগী ষ্টেট অসিগী মফম পূম্নমক্তা এলার্ট লাওথোকখিবনি। মথুরাদা কৃষ্ণ টেম্পল বারানাসিগী কাসি বিশ্বনাথ টেম্পলসু থুগাইগনি কিহল্লকখিবনি।

## মেক ইন ইন্দিয়া মায়থিরবা অমনি ঃ *রাহুল গান্ধী*

***মন্দসৌর, জুন ৬ ঃ***
চৎলিবা চহীগী লোয়শিল্লকপদা ইলেক্সন পাঙথোক্কদৌরিবা মধ্য প্রদেশতা পার্টিগী কেম্পেন হৌবগী মওংদা কংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা ঙসি মন্দসৌরদা ৱা ঙাংবদা মেক ইন ইন্দিয়া অসি মায়থিরবা অমনি। পোৎ খুদিংমক চিনাদা শাবনি, চিনাগী চিনা ঙাক্তা ঙায়রে হায়খ্রে।



হৌখিবা চহীদা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা ফার্মর ৬ শিখিবগী অৱাবা পোক্ত্রিবা মন্দসৌরদা ৱা ঙাংবদা রাহুল গান্ধীনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী গভর্ণমেন্টতা মরু ওইনা লৈবাক্কী ফার্মরশিংদা মহাক্না তৌরিবা অশোয়বশিংগী মতাংদা হুন্দুনা ঙাংখি।

ফার্মরশিংনা হৌখিবা চহীদা প্রোটেষ্টশিং চত্থরকখিবগী হৌরকফম ময়োল অদু মন্দসৌর হায়রিবা মফমসিদগীনি। প্রোটেষ্টশিং অদু নমথনবা প্রোটেষ্টর লুপ অমগী মথক্তা পুলিসনা নোংমৈ কাপখি। মদুদা ফার্মর ৬ শিখি। ফার্মর ৬ শিখিবা অদুগী অচুম্বা ৱায়েল হৌজিক ফাওবা খঙদ্রি। অৱাবা থৌদোক অদুগী অহানবা চহীগী থৌরম ওইনা শাওরবা ফার্মরশিংনা মফমসিদা নুমিৎ ১০ নিগী প্রোটেষ্ট অমা পাঙথোক্নবা থৌরাং তৌখ্রে।

মখোয়গী পোত্থোক্কীদমক মমল ফজনা লেপ্পিয়ু অমসুং লোন কোকথোকপীয়ু হায়না দিমান্দ তৌজরিবা ফার্মরশিং অদুদা দিমান্দশিং পীবগী মহুত্তা নরেন্দ্র মোদিনা ফার্মরশিং অদু হাৎপদা নত্তনা ইন্দষ্ট্রি অসি তেংবাংবদসু মায়থিরে হায়না রাহুল গান্ধীনা হায়খি।

নরেন্দ্র মোদি গভর্ণমেন্টকী মেক ইন ইন্দিয়া হায়বা খোঙথাং অদুদি মায়থিরবা অমনি। ইন্দিয়াগী মার্কেটশিং চিনাগী পোৎ-চৈশিংনা লাকহৎখ্রে হায়না মহাক্না হায়খি।

চিনাগী আর্মিনা দোকলামদা চঙশিল্লকপা অদুগা মদুদা নরেন্দ্র মোদিনা ৱাহৈ অমা ফাওবা ঙাংদনা হৌজিক ফাওবা তুমিন্না লৈশিল্লি।

করিগুম্বা কংগ্রেসনা ষ্টেট অসিদা শক্তি পায়রক্লবদি ফার্মরশিংগী পুন্সি অনৌবা অমা হোংহল্লগনি। গভর্ণমেন্ট পায়রকপা নুমিৎ ১০ নিগী মনুংদা ফার্মরশিংগী ক্রোপ লোন কোক্কনি অমসুং পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা শিখিবা ফার্মরশিংগীদমক অচুম্বা ৱায়েল ফংহনগনি হায়খি।

করিগুম্বা কংগ্রেস পার্টিনা মীখলদা মায় পাক্তুনা পার্টি অসিগী গভর্ণমেন্ট লৈরকপা তারবদি মেক ইন মন্দসৌর হায়বা থবক অসি পায়খৎকনি হায়নসু রাহুল গান্ধীনা ৱাশকখি। ফার্মরশিংনা মখোয়গী লৌবুক্তগী চুমদ্রিং লাক্লগা পোত্থোকশিং ফুদ প্রোসেসিং য়ুনিটশিংদা পুরকপা য়ানবা দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা অসিগুম্বা য়ুনিটশিং শাগনি। করিগুম্বা ঐখোয়না শক্তি পায়রক্লবদি চহী ১০ গী মনুংদা বৈজিংনা মন্দসৌরগী চনম শোয়দনা চারগনি হায়না রাহুল গান্ধীনা হায়খি।

## এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেটনা পূং ৬ মচিন হংলবা তুংদা পি চিদম্বরমবু সি বি আই নসু পূং ৪ মচিন হংখ্রে

***ন্যু দিল্লি, জুন ৬ ঃ***
এয়ারসেল-মেক্সিস কেসকা মরী লৈননা কংগ্রেসকী লুচিংবা, হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টর পি চিদম্বরমবু এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেট নৎত্রগা ই দি না পূং ৬ চুপ্পা মচিন হংদুনা তকথখ্রবা পূং খরগী তুংদা আই এন এক্স মেদিয়া কেসকী মরীদসু মহাকপু সি বি আই না অমুক্কা হন্না পূং ৪ চুপ্পা মচিন হংখ্রে।

ফোরেন ইভেষ্টমেন্ট প্রোমোসন বোর্দ (এফ আই পি বি) দগী ক্লিয়ারেন্স তৌবিবগী মহুৎ ওইনা চিদম্বরমগী মচানুপা কার্তিদা মেদিয়া কম্পনি অদুনা শেনফম কয়ামরুম অরানবা মওংদা পীখি হায়না সি বি আই না মরাল শীরি।

এয়ারসেল-মেক্সিস কেসতা মনিলোন্দরিং তৌই হায়বগী মতাংদা এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেটনা জুন ১২ দা চিদম্বরম কৌখৎখ্রবনি। ঙরাং লৈবাকপোকপা নুমিৎতা এয়ারসেল-মেক্সিস কেসকা মরী লৈননা এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেটনা হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টর অসিবু অহানবা ওইপা পূং ৬ লোম চুপ্পা ৱাহং পাউহং চত্থখি। মদুগী মতাংদা চিদম্বরমনা ফোঙদোকপদা ৱাহং অমসুং পাউখুমশিং অদু হান্ননা ফাইলদা লৈরল্লবগুমনি হায়খি।

য়ু পি এ গভর্ণমেন্টতা চিদম্বরম্না ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইরিঙৈ মতমদা এয়ারসেল-মেক্সিস দিলগীদমক ২০০৬ তা অমসুং ২০০৭ দা আই এন এক্স মেদিয়া কেসতা লুপা ক্রোর ৩০৫ কী ফোরেন ইনভেষ্টমেন্ট ক্লিয়ারেন্সশিং পীখিবগী থৌওং অদু সি বি আই অমসুং এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেট অনীমক্না থিজিল্লি। লুপা ক্রোর ৩০৫ গী ফোরেন ইনভেষ্টমেন্ট ক্লিয়ারেন্স পীনবগীদমক কার্তি চিদম্বরমদা লুপা লাক্ষ ১০ মেদিয়া কম্পনি অদুনা পিখি হায়রি।

চিদম্বরমগী মচানুপা কার্তি চিদম্বরম কেস অসিদা ফাখ্রে অমসুং কোন্না বেলদা থাদোরকখি।

হান্নগী মেদিয়া বেরোন পিটর মুখর্জিয়া অমসুং মাগী নুপী ইন্দ্রানিনা লীংখৎপা আই এন এক্স মেদিয়াদা ফোরেন ইনভেষ্টমেন্ট পীনবগী ক্লিয়ারেন্স তৌবদা অরানবশিং লৈখি হায়না ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সিনা হায়খি।

পিটর মুখর্জিয়া অমসুং মাগী নুপী ইন্দ্রানি মুখর্জিয়া অনীমক অসি ইন্দ্রানিগী হান্নগী নুপানা পোক্লম্বী মচানুপী সীনা বোরা হাৎপগা মরী লৈননা হৌজিক জেলদা লৈরি অমসুং সি বি আই না মখোয়গী মথক্তা থিজিল্লিবনি।

## বিহারদা পীক্লিবী মচিন-মনাও ৩ হাৎলম্লে

***বাঙ্কা, জুন ৬ ঃ***
বিহারদা বাঙ্কা দিষ্ট্রিক্টকী কাতোরিয়াদা লৈবা খুঙ্গং অমদা পীক্লিবা মচিন-মনাও অহুম মখোয়গী ময়ূমদা ঙরাং অয়ূক হাৎতোক্লগা থমলম্লে।

মখোয়গী খৌরিদা শোকপগী দাকফমসু তারম্মী। থৌদোক মফমদগী ময়া থৌরবা খূৎলাইশিং ফংখি। নুপীমচাশিং অদু হাৎত্রিঙৈগী মমাঙদা রেপ তৌখিরম্বা য়াই হায়না পুলিসনা ফোঙদোক্লি।

ইমুং মনুং অদু লায়রবা ইমুংনি মরম অদুনা মখোয়না য়ূম অদুদগী পোৎ-চৈ অমত্তা হুরানখিদে। থৌদোক অদুদা রেপ তৌরম্বা য়াবগী ওইথোকপ লৈ হায়না পুলিসনা হায়খি। থৌদোক অদু থোকখিবা মতমদা মখোয়গী মমা-মপাশিং সহরদা চখোকখিবা মতম ওইবনা পীক্লিবী নুপীমচা মচিন-মনাও অহুম অদুখক্তমক য়ূমদা লৈহৌখি। কেস অসিগী মরীদা মীওই অনী পুলিসনা ফারে হায়রি।

## এলাহবাদকী গঙ্গা তুরেলগী মথক্তা লুপা ক্রোর ১৯৪৮ চঙবা থোং শানবা অয়াবা পীখ্রে

***ন্যু দিল্লি, জুন ৬ ঃ***
নেস্নেল হায়ৱে ৯৬ কী পরীংদা এলাহবাদকী ফাফামাওদা গঙ্গা তুরেলগী মথক্তা লুপা ক্রোর ১,৯৪৮.২৫ চঙনা লেন তরুক লৈবা কিলোমিটর ৯.৯ শাংবা থোং অমা শানবা ঙসি য়ূমশংকৈশা নুমিত্তা কেবিনেট কম্মিটি ওফ ইকোনোমিক এফিয়ার্স (সি সি ই এ) না অয়াবা পীখ্রে।

প্রোজেক্ট অসি শানবগী পীরিবা মতম অসি চহী ৩ নি অমসুং ২০২১ গী দিসেম্বরদা লোয়শিল্লবা য়াই। হৌজিক লেন ২ ওইরিবা থোং অসিদা লম্বী চিল্লিবা অসি অনৌবা থোং অসিনা কোকহল্লগনি।


অনৌবা থোং অসিনা শাবা লোয়শিল্লকপদা কুম্ভা মেলা, অর্ধ-কুম্ভা অমসুং সঙ্গমদা চহীগী ওইনা পাঙথোকপা ইরুজবগী থৌরম মতমদা এলাহবাদতা মী মশীং য়াম্না হেন্না পুনবা য়াহল্লগনি।

প্রোজেক্ট অসিগা মরী লৈননা থাদোরকপা ওফিসিয়েল ওইবা চেরোল অমনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা থোং অসিনা লাই খুরুম্বা লাকপা টুরিজমগী থবক্তা ঈনোৎ অমা পীরগনি অমসুং প্রয়াগকী শেন-থুম গী ফিভমসু ফগৎহনগনি হায়খি।

হৌজিক লৈরিবা হান্নগী অরীবা থোং অসিদা পেসেঞ্জর কার ৪০,০০০ রোম লান্দুনা চৎলি। মসি কার ১৫,০০০ লান্নবগী দিজাইন তৌখিবা অদুদগীদি য়াম্না হেল্লে। মদুনা মরম ওইদুনা মতম পূম্নমক্তা য়াম্না শাথিবা ট্রাফিক জামশিং থোকহল্লি।

কুমজা ২০১৪ গী মে থাগী মমাঙ ফাওবদা এলাহবাদতগী ফরাক্কা ফাওবগী মনুংদা গঙ্গা তুরেলগী মথক্তা শুপ্পগী থোং ১৩ খক লৈরম্মী। অহেনবা থোং কুন শানবা থৌরাং তৌখিবগী মনুংদা থোং ৫ শঙ্গাখ্রে। অদুগা থোং ৭ শাবগী থবক চঙশিল্লি। মসি থারগা পূন্না থোং ৩৩ শুরগনি হায়রি।

# ইন্দিয়া অমসুং চিনা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈনরিবা মরী কনখৎহন্নবা ফোঙদোকখ্রে



***প্রেতোরিয়া, জুন ৬ ঃ***
চিনা অমসুং ইন্দিয়ানা পূন্না থবক তৌমিন্নবনা মখোয়গী কমন ওইবা দিভলপমেন্টতা খোঙজেল য়াংখৎহনগনি অমসুং হ্যুমেন সিবিলাইজেসনগী চাওখৎপদা মতেং ওইগনি হায়না চাইনিজ ষ্টেট কাউন্সিলর অমসুং ফোরেন মিনিষ্টর ৱাং য়ি না হায়খ্রে।

সাউথ অফ্রিকাগী কোনুং প্রেতোরিয়াদা *ব্রিক্স* ফোরেন মিনিষ্টরশিংগী মীফম য়াওবা লাকখিবদা ইন্দিয়াগী এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজগা ঙরাং উন্নখিবদা চিনাগী ফোরেন মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি হায়না ঙসি য়ূমশংকৈশা নুমিত্তা জিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী পাউনা হায়রি।

ইন্দিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টরনা হায়খি, চিনা অমসুং ইন্দিয়ানা পাক চাওরবা কমন ইন্টরেষ্টশিং লৈ অমসুং মসিদা মোত খেন্নবদগীদি অমত্তা ওইনা য়ানবনা হেল্লি। মতম পূম্নমক্তা নাকল অনীমক্না লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অমসুং মীয়ামগী মপূং ওইবা ইন্টরেষ্টশিংবু থবক্কী খোঙথাং হৌফম অমা ওইনা লৌগদবনি। ৱাথোক অমসুং খেন্নবা কয়া নীংথিজনা লোয়শিন্নবা হোৎনগদবনি লোয়ননা অপূনবগী ইন্টরেষ্ট শোকহন্দনবা নাকল নাম্মগী ইন্টরেষ্ট থিংনবা হোৎনগদবনি হায়খি।

মখোয়গী লুচিংবশিংনা য়ানখিবগী মতূং ইন্না নাকল অনীমক্না ঙমখৈগী লমদমশিংদা শান্তি অমসুং তংদু-লৈতাবা তঙাই ফদনা ঙাক্কদবনি অমসুং লৈরিবা ফিভম অসিবু চয়েৎনগদবা থবকশিং তোক্কদবনি হায়না মিষ্টর ৱাং না হায়খি।

চিনা অমসুং ইন্দিয়ানা অমগা অমগা তাথোক-তাশিন তৌবা হেনগৎকদবনি লোয়ননা *ব্রিক্স* কোওপরেসন, সাংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন অমসুং অতৈ মল্টিলেটরেল মেকানিজমশিং ফগৎহন্নবা অফবা থৌদাং অমা লৌগদবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়া অমসুং চিনাগী লীদরশিংগী মরক্তা পাঙথোক্লিবা ইনফোর্মেল ওইবা ৱুহান মীফমনা লৈবাক অনীগী মরক্তা অমগা অমগা থাজনবা হেনগৎহল্লে, তেংবাংনবা কনখৎহল্লে, লোয়নবনা অমগা অমগা হেন্না নুংঙাইহল্লে অমসুং মমাঙদা অমুক্তা ফংখিদ্রিবা মায় পাকপা ফংলে হায়খি।

ইন্দিয়ানা ৱান-চিনা পোলিসি হায়বা অদুদা খোঙফম চেৎনা লেপকনি অমসুং টাইৱান অমসুং টিবেটকা লৈনবা মরীশিংগুম্বা চিনাগী মরু ওইবা ইন্টরেষ্টশিং চেন্নবা ৱাথোকশিং নীংথিজনা চেকশিন্না লোয়নগনি হায়না সুস্মা স্বরাজনা হায়খি।

খ্বাইদগী চাউবা ইমর্জিং মার্কেট অমসুং চাওখৎলক্লিবা লৈবাক অনীগী ওইবা মরম্না ইন্দিয়া অমসুং চিনানা ইন্টর্নেস্নেলগী পোলিটিকেল অমসুং ইকোনোমিক ওর্দর ঙাকপদা অমসুং গ্লোবেল গভর্নেন্স ফগৎহনবদা অমত্তা ওইনা ফিরেপ লৌমিন্নরি হায়না মহাক্না হায়খি।

## নোর্থ কোরিয়া সমিটকী থৌরাং ফজনা চত্থরি ঃ *ট্রম্প*

***ৱাসিংটন, জুন ৬ ঃ***
য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা নোর্থ কোরিয়ান লীদর কিম জোং উন গা জুন ১২ দা উন্নগদৌরিবা মীফম অদুগী থৌরাংশিং হৌজিক য়াম্না ফজনা চত্থরি হায়না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

মালেমগী মফম পূম্নমক্তগী পাউমী ২,৫০০ রোম হেনবনা য়েংলগদৌরিবা অমসুং পাউ লৌরগদৌরিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী ইতিহাসিক ওইরবা মীফম অসিগীদমক সিঙ্গাপোরনা সেন্তোসা কৌবা ঈথৎকী টুরিষ্ট রিজোর্ব অদুবু স্পিসিয়েল ইভেন্ট এরিয়া অমা ওইনা লাওথোকখিবগী নোংমগী মতূংদা য়ু এস প্রসিদেন্টকী ৱাফমসি ফোঙদোক্লকখিবনি। মরু ওইনা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই প্রোগ্রাম থাদোকহন্নবগী মতাংদা খন্নবা লৈবাক অসিগী লুচিংবগা য়ু এস কী প্রসিদেন্টকা উন্নদুনা ৱারী শাগনি হায়রিবদু নহানমখৈ অরেপ্পা খঙদনা লৈরকপনি।

সিঙ্গাপোর সমিট অসিগী মাঙওইননা য়ু এস অমসুং নোর্থ কোরিয়ান টিম কয়ামরুমনা মতম চপ মান্ননা মীফম কয়ামরুম পাঙথোক্লরি। য়ু এস প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবগা উন্নগদৌরিবা অসিগী মাঙওইননা জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেনা চয়োল অসিদা ট্রম্পকা ৱারী শান্নবগীদমক হ্বাইট হাউসতা লাক্কদৌরি।

মথংগী চয়োলদা পাঙথোক্কদৌরিবা নোর্থ কোরিয়াগা উন্নগদৌরিবা অদু শোয়দনমক ওইথোক্কনি হায়না হ্বাইট হাউস প্রেস সেক্রেটরী সরাহ সেন্দরসনা মহাক্কী নুমিৎ খুদিংগী পাঙথোকপা পাউজী মীফমদা পাউমীশিংদা হায়খি।

নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবগা য়ু এস কী প্রসিদেন্টগা জুন ১২ দা লোকেল টাইমদা অয়ূক্কী পূং ৯ দা অদুগা ইষ্টর্ন টাইমদা জুন ১১ গী নুমিদাং পূং ৯ দা উন্নরবা য়াই। মসি নোংমগী সমিট অমা ওইরবা য়াই হায়না হ্বাইট হাউসনা হায়রি।

লুচিংবা অনীনা সিঙ্গাপোরগী খা নোংপোক তোর্ব্বান্দগী চখোক্লগা লৈবা সেন্টোসা কৌবা লম কোয়বশিংগী পোত্থাফম ঈথৎতা লৈবা কাপেল্লা হোটেলদা উন্নগনি। হ্বাইট হাউস প্রেস সেক্রেটরীনা লুচিংবশিংগী উন্নফম অদু ট্যুটরদা ফোঙদোক্লকখিবনি।

জুন ১২ দা য়ু এস অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা অনীনা সিঙ্গাপোরদা উন্নগদৌরিবা অসিগী য়েংদুনা জুন ১১, ১২ অমসুং ১৩ দা সিঙ্গাপোরগী এয়ারস্পেস অসি প্লেন পাইশিনবা য়াদবা মফমনি হায়না সিঙ্গাপোরনা অথিংবা থমখ্রে।

## টালিবানগী এটেক্তা আফগান লান্মী ৬ শিরে

***কাবুল, জুন ৬ ঃ***
আফগনিষ্টানগী নোংচুপ থংবা বাঘিস প্রোভিন্সতা লৈবা আর্মিগী পোষ্ট অমদা চত্থরক্লিবা টালিবানগী এটেক্তা লান্মী ৬ শিরে অমসুং ৭ শোক্লে হায়না ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙরাং অথেংবগী এটেক অদুদা টালিবানগা আর্মিগা পূং ২ রোম চুপ্না নোংমৈ কাপ্নখি মদুদা টালিবান লানহৌবশিং অদুনা নোংমৈ মরু অমসুং আর্মি গারী অনী লৌখ্রে হায়না প্রোভিন্সিয়েল কাউন্সিলগী মকোক অব্দুল অজিজ বেগনা হায়খি।

অৱাং থংবা বাঘলান প্রোভিন্সতা লম্বী নাকলগী বোম অমা পোকখাইবদা মীচম অমা শিখ্রে অমসুং অতোপ্পা মীওই অহুম শোকখ্রে হায়না পুলিসনা হায়রি।

## রোহিংয়া হল্লক্নবা সহি তৌনখ্রে

***য়াঙ্গোন, জুন ৬ ঃ***
ম্যান্মারগী সেক্যুরিটি ফোর্সনা চত্থবা ওপরেসন্দগী চেনখিবা অমসুং বাংলাদেশতা মতম খরগী ওইনা শাবা কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা রোহিংয়া মুস্লিম লাক্ষ ৭ লোমগী মনুংদগী খরবু হল্লকহন্নবগীদমক ম্যান্মার অমসুং য়ু এন এজেন্সিশিংগা য়ান্ন-ৱারোল অমা সহি তৌনখ্রে হায়রি।

ঙসি য়ূমশংকৈশা নুমিত্তা সহি তৌনখিবা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং অদুনা রিফ্যুজি অদু মশানা য়ানা, অশোয়-অঙাম থোক্তনা, ঈজৎ লৈবা মওংদা অমসুং তুং কোয়না চৎনগদবা মওংদা হল্লক্নবগী ফিভমশিং শেম্নবা পান্দম থল্লিবা ফ্রেমৱার্ক ওফ কোওপরেসন অমা লীংখৎনবা ৱারোলশিং য়াওরি।

RST Resonant Tutorials Imparting light to Medical aspirants
RESONANT TUTORIALS
Imparting Light to Medical Aspirants
SL/Bill (upto 12 June)
ADMISSION OPEN
Regular Course for Medical Entrance Exam
NEET (UG) - 2019
Class Commence : 21st June, 2018
Last Date of Admission : 19th June, 2018
Separate Section For Purely English Medium.
Hostel facility for Boys & Girls.
For more details, pliz contact: Resonant Office Keishampat Keisham Leikai, Near Manipur Rural Bank
Office Timing: 8:00 a.m. - 4:00 p.m.

## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 17/04/18
Valid : 13/04/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**M M Gas**
Booking : 04/05/18
Valid : 28/04/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**K & K Indane**
Booking : 18/05/18
Sl. No. 400
Valid : 10/05/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Misao Gas Service**
Booking : 28/04/18
Valid : 14/04/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Khurkhul Heikham Indane**
Booking : 23/04/18
Valid : 19/04/18
Time : 08.00 to 12 noon

**Canchi Service Indane**
Booking : 08/05/18
Valid : 04/05/18
Stk : 612/19kg 30
Rate : Rs. 811.50/-

**Yairipok Gas Service**
Booking : 07/05/18
Valid : 02/05/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 07/06/18
Valid : 06/06/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 09.30 a.m

**GBD Gas, Lamlong**
Booking : 24/04/18
Valid : 11/04/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.30 a.m

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 01/05/18
Valid : 28/04/18
Sl. No. 8451 to 9130
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Athokpam Indane Wangjing & Khongjom**
Booking : 20/04/18
Valid : 03/04/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**R & H Indane**
Booking : 24/04/18
Valid : 04/04/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Imphal LPG Service**
Booking : 01/05/18
Valid : 01/12/17
Sl. No. 17800
Delivery at Heinoupok Godown

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 24/04/18
Valid : 09/04/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

### সনা-সুদোকু -১১৮৯ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 8 | 1 | 6 | 2 | 4 | 7 | 9 | 3 |
| 6 | 3 | 4 | 9 | 5 | 7 | 8 | 1 | 2 |
| 2 | 9 | 7 | 1 | 3 | 8 | 4 | 5 | 6 |
| 7 | 1 | 8 | 3 | 4 | 2 | 9 | 6 | 5 |
| 9 | 6 | 3 | 8 | 1 | 5 | 2 | 4 | 7 |
| 4 | 2 | 5 | 7 | 6 | 9 | 1 | 3 | 8 |
| 8 | 5 | 6 | 4 | 7 | 1 | 3 | 2 | 9 |
| 3 | 4 | 9 | 2 | 8 | 6 | 5 | 7 | 1 |
| 1 | 7 | 2 | 5 | 9 | 3 | 6 | 8 | 4 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1190**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 3 | | 4 | 2 | | | 7 |
| 2 | | 1 | | | | | 6 | |
| 6 | 5 | | | | | | 9 | 2 |
| 3 | | | 9 | | | | | 8 |
| | | | | | 5 | 4 | | |
| | | | | | | 2 | | 1 |
| | 3 | 5 | | | | 9 | | |
| | 1 | 2 | | | | 7 | | |
| | | | 3 | | | | 8 | |